# অপ্পর এজ কোমথোকপা

মণিপুরদা অতৈ ষ্টেটশিংদগী তোপ তোপ্পা খেন্নবা অমা লৈরিবসি গভর্নমেন্টকী থবক চংনবা ইমপ্লোয়ি খনবগী মতাংসিসু অমনি। ষ্টেট অসিদা লাইরিক হৈবা মীগী মশিং ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেট কয়া অমদগীদি হেল্লি। লাইরিক হৈবা মশিং য়াম্বা ষ্টেটশিংগী মনুং চল্লিবনি।

মতম অমগী সরকারনা লৌখৎলম্বা থৌশিলদগী মথোং খঙদবা মশিংদা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা চান্নদবা মশিংগী ইমপ্লোয়ি হাপচিল্লম্মী হায়বদগী থবক লৌবদা অথিংবা থমখি। মদুনা মরম ওইরগা সরকারগী সার্ভিসতা চংনিংবা মীওই কয়াগী অশা থুগায়খি। অমরোমদনা ইমপ্লোয়ি মশিং ৱাৎলকপগী প্রোব্লেম অমসু দিপার্টমেন্টশিংদা থেংনরি। মসি তুং-মাং য়েংদবা সরকারগী মথোং হুক্তবা থৌশিলনি। ইমপ্লোয়িমশিং হেন্না দিপার্টমেন্টশিংগী ইমপ্লোয়ি দাউন সাইজিং তৌবদি কায়দে, ৱাৎনা লৈরিবদুগীদি হাপকৎফম থোকই। অদুনা থবক লৌবগী অথিংবা দিপার্টমেন্টকী ওইনদি মী ৱাৎলি হায়দুনা অথিংবা কোমথোকখি।

ইমপ্লোয়ি লৌবদা অথিংবা থমখিবনা মরম ওইরগা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনবু এম সি এস / এম পি এস অমসুং এলাইদ সার্ভিসশিংগী ক্বালিফায়িং একজামিনেসন পাঙথোক্তনা লৈখি। মরমসিদগী মীওই কয়া অমা চহি হেন্দুনা সরকারগী থবক চংনবা উপাই লৈখিদে। অচংবা লাইরিক লাইশু হৈরবা মহৈরোই কয়াগী সিভিল সার্ভেন্ট ওইনিংবগী মঙ কায়খি। মতিক চাবা মীওই নৌনা লৌদ্রবনিনা দিপার্টমেন্ট কয়াদা অহোবা লৈরকই থবক্কা চান্নদবা মীওই কয়া ইন-চার্জদা দিপার্টমেন্ট চলাইবদগী লৈঙাক্তা অশোয়বা কয়া লাকখি। মহৈরোইশিং থবক চংবগী চাং নেমথরকপদগী ষ্টেটকী ৱাংমদা লৈনখিদুনা ষ্টেটসিগী হ্যুমেন রিসোর্ছতা শোকহল্লকই অমসুং ষ্টেটকী  অচৌবা শেনফম কয়া মপালদা চৎখিনবগী মরম ওইহল্লকই।

হায়রিবসি ভাব তারকপদগী থবক লৌবগী অথিংবা কোমথোল্লগা এম পি এস সিগী খুত্থাংদা থবক লৌনবা হোৎনরকই। মতমদুদা মীয়ামগী প্রেসরদগী থবক চংনবগী অপ্পর এজ লিমিটতা কোমথোকখি। মদুমক্কা মীওই খরদা পরিক্ষা থানবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রবগে হায়বসিদি অচৌবা ৱাহং ওইরি। চহি খুদিংগী চাং নাইনা  এম পি এস সিগী পরিক্ষা তৌদবনা সিভিল সার্ভিসতা চংনিংবা মীওইশিংগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈহনদ্রে। অসিগুম্বা মওংসি লৈহন্দনবা অতৈ ষ্টেটশিংদদি অপ্পর এজ লিমিট অসি শাংদোল্লগা মতিক চাবা কেন্দিদেটশিংদা খুদোংচাবা পীনবা থৌরাং তৌই। মণিপুরগীনা লৈজরিবা হ্যুমেন রিসোর্ছ হাৎতোক্লবা হোৎনৈ। সিভিল সার্ভিসতা চংবগী নিয়মশিংদা ওহ্নোক ওনশিন তৌদুনা মীওই কয়াদা চান্স মাঙহল্লি। য়ু পি, ঝারখন্দ, বিহার, পঞ্জাব, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ত্রিপুরা, হরিয়ানা, রাজস্থাননচিংবা ষ্টেটশিংগী পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী অপ্পর এজ লিমিট অসি চহী ৩৭ তগীনা ৪০ ফাওবদা কোমথোকনখ্রে। মণিপুরগীনা চাং নাইনা পরিক্ষা চহি খুদিংগী  পাঙথোকপা য়ুপিএসসিগী নোর্মসতা চৎকদৌরিব্রা। মদুনা মীওই কয়াগী আশা কায়হনগদৌরি হায়বসি হংবা তারকই।